ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



রিমসকী জুবিলি হোলদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড ফার্মাসিষ্ট দে ২০২৫দা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. চম্বো গোনমৈনা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ/ওনরেরি এৱার্দ ২০২৫ খৃৎশিন্নখিবা

থম্মোয় পাউদম : ইরমদগী মীরমদা - ৭ ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ লাইরিক্তা য়াওবনা অমা, চৎনরিবনা অমা, হে পোলিটিক্স!
মাউদগী দেং ফাওবগী মতমদা চাইনাগা য়ুনাইটেদ ... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ দিসএবল্ডশিংনা পুথোক্লিবা খৃৎহৈবগী পোৎলমশিং...
ৱাথোক অমা থোরকপদা সেন্টরনা মীওই অমা... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ কে ৱাই দব্লিয়ু এ সী ৱাবগাই অমসুং ৱালিদা...

স্বস্থ নারি পরিবার অভিয়ানগী ৯শুবা নুমিৎতা রিমসনা ক্বাকৈথেল হৈনৌখোঙনেম্বীদা লৈবা রতনকুমার মেমোরিএল স্কুলদা হেল্থ কেম্প পাঙথোক্তুনা নুপামচা অমসুং নুপীমচা মহৈরোয় লিশীং ২ রোম লায়েংখিবা



Vol. 49, Issue No. 175 | ইরাই, মেরাগী মরিনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, September 26, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# রিমসতা লৈখিদ্রবী মঞ্জুগী মচানুপীগী ইপান পাঙথোকখ্রে, কেস লৌখৎপ্রা লৌখৎতব্রা ময়েক শেংদ্রি

হুইয়েন ব্যুরো

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** মশাগী অহানবা অঙাং উনবগীদমক থা অসিগী ১৬তা রিমস হোস্পিটালদা এদমিট তৌরক্লবা মতুং থা অসিগী ২০গী নুংথিলদা মচানুপী অমা ফংজরবা মতুংদা ব্লিদিং তৌরক্লে হায়দুনা অমুক হন্না ওপরেশন থিএটরদা পুশিন্দুনা ওপরেশন চথুরবা মতুংদা আই সী য়ুদা থল্লক্লবা মতুং মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ২১গী অয়ূক অঙনবদা লৈখিদ্রবী থৌবাল শাবলতোংবদগী লিলোং চজিং অৱাং লৈকায়দা ময়ূম পাল্লকখিবী নোংথোম্বম নিঙোল চীংশুবম ওংবী মঞ্জু (৩৫) গী মচানুপীগী ইপানগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। অদুম ওইনমক মহাক লৈখিদবা থৌদোক অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলব্রা নৎত্রগা লৌখৎত্রিবরা হায়বদুদি ওফিশল ওইনা খঙবা ঙমখিদ্রি।

লৈবাক ৱাথোক ওইরক্লবা থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা চথখিবা ইনভেষ্টিগেশনদা ফংলকপা ওফিশল ওইবা দোক্যুমেন্টশিংগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবী মঞ্জুগী মপুরোইবা সী ঐচ নিরন (৪১) অপোকপা সী ঐচ নিলকান্তনা রিমসকী দিরেক্টরদা মহাক লৈখিদবা নুমিৎ থা অসিগী ২১দা অইবা চেরোল অমা পীশিল্লমখি।

চেরোল অদুদা মহাক্কী লোয়নবী মঞ্জু লৈখিদবগী থৌদোক অসি 'অন-নেচরেল দেথ' নি অমসুং থৌদোক অসি 'মেদিকেল নেগ্লিজেন্স' তগী থোকপনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

চেরোল অদুগী মতুংইন্না মহাক্কী লোয়নবী অসি থা অসিগী ১৬তা অঙাং উনবগীদমক এদমিট তৌখিবনি। মহাক্না রিমস হোস্পিটালদা এদমিট তৌবা মতমদা মহাক্কী হকচাংদা খুদোংচাদবা করিমত্তা লৈখিদে। থা অসিগী ২০গী নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা ডা. সী ঐচ প্রিতম (শীংজমৈ চীংঙামথক) গী মীৎয়েং মখাদা মচানুপী অমা সিজরিয়ন সেক্সন (সী এস) তৌদুনা ফংজখি। মহাক চাং নাইনা ডাক্তর অসিগী মখাদা চেক-অপ তৌরকখিবনি হায়রি।

অঙাং উনরবা মতুংদা মহাকপু ৱার্দতা পুথোরকখি অদুবু ব্লিদিং তৌরক্লে হায়বগী কমপ্লেন্ট লাকপদগী মখা তানা মহাকপু ওপরেশন থিএটরদা থা অসিগী ২০গী নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদা ওপরেশন তৌনবা পুশিনখি। অদুগা মপুরোইবা সী ঐচ নিরনদা মহাক্কী লোয়নবীগী অঙাং খাও লৌথোক্লে হায়বা ৱাফম খঙহল্লকখি। নুমিৎ অদুগী নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা ওপরেশন লোইরবা মতুংদা মহাকপু আই সী য়ুদা থমখি। মফম অদুদা মহাক কোমাদা লৈখি হায়রদুনা মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ২১গী অয়ূক পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা মঙোন্দা মহাক্কী লোয়নবী লৈত্রে অমসুং শিরে হায়বগী পাউ পীরকখি হায়রি।

মরম অসিনা থৌদোক অসি ডাক্তরশিংগী মায়কৈদা মেদিকেল নেগ্লিজেন্সনা মরম ওইদুনা থোকহনবনি হায়রদুনা দিরেক্টরনা অন-নেচরেল দেথকী থৌদোক অসিগী মতাংদা ইনক্বারি তৌবীয়ু অমসুং লোগী মতুংইন্না অথুবা মতমদা মথৌ তাবা লিগেল এক্সনশিং লৌখৎপীয়ু হায়জখি হায়রি।

লৈখিদ্রবীগী মপুরোইবনা রিমসকী দিরেক্টরদা পীশিনখিবা অইবা চেরোল অসিগী কোপি অমসু রিমস হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টদা পীখি হায়রি।

অদুগা চেরোল অসি পীশিল্লবা মতুংদা থৌদোক অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## রিমসতা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোক্তনবা উরিপোক অপূনবা লূপ অমসুং উরিপোক নুপী অপূনবা লূপনা সজেশন ১০ পীশিনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** রিমসতা অতেনবা মতমগী মনুংদা নুপী অমসুং নুপা পেসেন্টশিং মনম-মনম শিজিল্লকপগী থৌদোকশিং থোরকপদগী অসিগুম্বা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোরকহন্দনবা রিমস ওথোরিটিনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬







লৈখিদ্রবী নোংথোম্বম নিঙোল চীংশুবম ওংবী মঞ্জুনা হিংলিঙৈ, আই সী য়ুদা লৈখিদ্রবা মহাক্কী ফোটো, মহাক্না থল্লম্বা মচানুপী অমসুং মহাক লৈখিদবদা চেন্নবা ডাক্তর চৈরাক পীয়ু হায়দুনা লিলোং চজিংদা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজং

### রিমসকী অমোৎপা লৌথোকউ, রিমসপু মীহাৎপুঙ ওন্থোক্কনু, রিমসতা খোঙজংগী চৎনবী থম্বা য়ারোই



## হৈঙাংদা য়ূম ১ মৈনা তুম্না চাকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী হৈঙাং পুলিস ষ্টেশননা কোল্লিবা হৈঙাং ময়ায় লৈকায়দা লৈবা য়ূম অমা মৈনা তুম্না চাকখ্রে।

য়ূম অসিগী য়ূম্বুগী মীংনা চিংঙাখম জয়কুমার কৌই, মহাক্কী কা মঙা লৈবা উগী য়ূম অদুগী মনুংদা চাক থোংনবা গ্যাস সিলিন্দর লোইখিবদগী অতোপ্পা অমা শিন্দোক্লবা হোৎনরুবদা খঙহৌদনা মৈ হৌদুনা চাক্লকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবগা ইম্ফালদগী ফায়র সর্ভিসকী এস ও রিসিকান্তনা লুচিংবা টিম অমনা ফায়র টেন্দর অনী য়াওনা মথৌ তাবা পোৎলমশিং পুদুনা মৈ মূথৎনবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মৈ চাক্লম্বা য়ূম অদুদি কনবা ঙমহৌদ্রে অদুবু থংনবদা লৈবা য়ূমশিংদদি মৈ ৱায়হল্লক্তবা ঙমহৌরে হায়রি।

## নুপাগী হকচাং অমা লৈরম্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা পোরোম্পাৎ পি এসনা কোল্লিবা ইম্ফাল তুরেল খোংনুংগী টেলিপতি মপাদা লৈবা অশোঙবা মফম অমগী মনাক্তা নুপা অমগী হকচাং লৈরম্লে হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং মথা খঙবা ঙমখিদ্রি। অদুম ওইনমক মহাক্কী হকচাং অদু মনম চেল্লম্বনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা শিবা ওইরম্বা য়াই থাজনরি। মীশি অসিগী মতাংদসু চপ চানা খঙবা ঙমখিদ্রি।

## কে সী পি - পি দব্লিয়ু জি ফারে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :**

পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা কে সী পি - পি দব্লিয়ু জিগী এক্টিভ কাদর অমা খুরাই চাইরেনথোং এরিয়াদগী ফারে হায়রি।

মহাক্কী মমিং এম দি টাজউদ্দিন শাহ এলিয়জ বাবোই (৩৭) কৌই, ক্ষেত্রি অৱাং লৈকায়দগী হৌজিক্লা খাবৈশোইগী ৭-এম আর গেটতা লৈবনি। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমা রিকোভর তৌরে হায়রি।

## দেঙ্গীগী কেস ১৩১০ শুরে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙদগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দেঙ্গীগী অনৌবা পোজিটিভ কেস ৯৬ থেংনবগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা থেংনবা লায়না অসিগী পোজিটিভ কেস মশীং ১৩১০ শুরে হায়রি।

রিপোর্ট অসিনা হায়, অনৌবা কেসশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৬৯, ইম্ফাল ইষ্টতা ১৫, থৌবালদা ২, বিষ্ণুপুরদা ২, ককচীংদা ৫, সেনাপতিদা ১, চান্দেলদা ১ অমসুং নোনেদা ১ থেংনবনি হায়রি।

ঙসি ফাওবদা দিষ্ট্রিক্টশিংদা থেংনখিবা লায়না অসিগী পোজিটিভ কেস মশীংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট ৯৫৯, ইম্ফাল ইষ্ট ১৭৮, থৌবাল ৪৫, বিষ্ণুপুর ৩৭, ককচীং ৩২, সেনাপতি ১৭, চান্দেল ৮, নোনে দিষ্ট্রিক্টতা ৩নি। অদুগা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা ১৪, কামজোংদা ৮, তমেংলোং ৩, চুড়াচান্দপুর ৩, তেংনৌপল ২ অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতসু পোজিটিভ কেস অমা থেংনখ্রবনি। অদুম ওইনমক জিরিবাম অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টতদি ঙসি ফাওবদা লায়না অসিগী পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনদ্রবসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগীদি পোজিটিভ কেস ওইখিবা মীওই অমা লৈখিদ্রবনি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## মীখলদা অফবা মীহুৎ খন্দ্রবদি মণিপুরগী মীয়াম ৱাখিগনি : ও জয়

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা মথং পাঙথোক্কদবা ষ্টেট এসেমব্লিগী ইলেক্সনদদি ঐখোয়গী মীয়াম্না অফবা মীহুৎশিং খলহৌদ্রবদি ষ্টেট অসিগী মীয়াম ওন্থোক্না ৱাখিগনি অমসুং ঐখোয়গী মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম, টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি, এঠনিক আইদেন্টিটি য়াওনা য়েলহৌঙৈদগী নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরক্লিবা ইচিন ইনাওশিংগা লোয়নবগী শক্লোন অমুক হন্না হঞ্জিল্লক্কদ্রা নৎত্রগা হঞ্জিল্লক্লোইদ্রা হায়বদু কনানসু হায়বা ঙমদে হায়না কোংগ্রেসকী সিনিয়র মেম্বর ও জয়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ভোইস ওফ কুম্বীনা শীন্দুনা কুম্বী তেরাখা মা- দবতা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

সোশল এক্টিভিষ্ট এম মেঘচন্দ্রগী থৌশিল মখাদা ঙসিগী থৌরম অসি 'অৱার ভোট, অৱার ফ্যুচর, ফেট ওফ অৱর ...মখা লমায় ৩ কলম ২



## লাইসেন্স য়াওদনা ফার্মাসি ফম্বা ১সুং এম আর পিদগী হেনগৎনা য়োনবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌরগনি : হেল্থ দিরেক্টর

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** লাইসেন্স য়াওদনা ফার্মাসি ফম্বা অমদি হীদাক্কী এম আর পিগী মমলদগী হেন্না য়োনবশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌরগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. চম্বো গোনমৈনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর ষ্টেট ফার্মাসি কাউন্সিলনা শীন্দুনা মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোক্লকখিবা ৱর্ল্ড ফার্মাসিষ্ট দে ২০২৫গী থৌরমদা মহাক্না অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

রিমসকী জুবিলি হোলদা 'থিঙ্ক হেল্থ, থিঙ্ক ফর্মাসি' হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা দিরেক্টরনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা মীশিংগা য়েংনবদা ফার্মাসিশিংগী মশীং অসি অদুক্কী মতিক ৱাৎলি। লৈঙাক্কী হেল্থ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### হীদাক লাংথক্কী অশেংবা এম আর পিগী মথক্তা মমল হেনগৎপা এম আর পি নপশিন্দুনা শেল হেন্না লৌবশিং য়েংশিল্লগনি, লৈঙাক্না থিংলবা অমসুং এক্সপ্যারি ওইরবা হীদাক য়েংনবগী পাউসু ফংলে

## লালহৌলূপ অমগী নেম প্লেট অমসুং বেজ য়াওনা খূৎশু-খূৎলায়শিং ফাগৎলে : পুলিস

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোরকপা চেরোল অমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক পি এসনা কোল্লিবা সলুংফম মমাঙ লৈকায়গী রিংপাম খুলগী মনাক্তা লৈবা চীংখোঙদগী ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পি এল এগী নেম প্লেট অমসুং বেজ য়াওনা খূৎশু খূৎলায় কয়ামরুম রিকোভর তৌরে হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না রিকোভর তৌরবশিংদি মেগজিনগা কোন্নবা এস এল আর অমা, মেগজিনগা কোন্নবা কর্বাইন অমা, রাইফল অমা, সিঙ্গল বোর এক্সন রাইফল ২, এস বি বি এল (পি এ জি) অমা, চাইনিজ গ্রেনেদ ২, লোকল মেদ এক্সপ্লোসিভ অমা, এ কেগী মরূ অমা, এস এল আরগী মরূ ৩, ৯ এম এমগী মরূ ৪, ইন্সাস রাইফলগী মেগজিন অমা, টিয়র স্মোক সেল অমা, চার্জর অনীগা কোন্নবা বাউফেং ৱায়রলেস সেট অনী, বুল্লেট প্রুফ জেকেট ১০, কেমোফ্লেজ খোঙ্গ্রাও ৪০, কেমোফ্লেজ খোঙ্গ্রাও ৩২ অমসুং তুপী ১৭, মেগজিন পাওচ ৬, বেল্ট ২১, বূঠ জুরা ১৩, বেগপেক অমা অমসুং হেলমেট অমনি হায়রি।

পোৎলমশিং অসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা দিষ্ট্রিক্ট পূন্নমক্কী চিংনবা মফমশিংদা চথরকপা এরিয়া দোমিনেশন অমসুং সর্চ ওপরেশনশিংদগী ফাগৎলকপা ঙমখিবনি হায়নসু পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অসিনা মখা তারি।

## পি এল এগী ৪৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ :** রেভলুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী দেপ্যুটি সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) রোবেন খুমননা থোরকপা চেরোল অমদা পি এল এগী ৪৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, চৎলিবা কুমজা ২০২৫গী সেপ্টেম্বর ২৫ শগোলশেন নুমিৎতা পিপলস লিবরেশন আর্মিগী ৪৭শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম মণিপুর অমসুং মণিপুরগী ৱাংমদা লৈবা পার্টি অমদি পি এল এগী য়ুনিট, দিপার্টমেন্ট, ষ্টেশন খুদিংমক্তা পাঙথোকমিন্নখ্রে।

আর পি এফকী সেন্ট্রেল ব্যুরোগী মখাদা লৈবা দিভিজনগী মফমশিংদসু পি এল এগী ৪৭শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ফ্লেগ, ফেষ্টুন অমদি ষ্টারনচিংবা থেৎতুনা মফমদুগী মীয়ামগা পূন্না থৌরম পাঙথোকমিন্নখি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## শিজ হোস্পিটালনা পুলিস মেন্টেল হেল্থকী ত্রেনিং পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :**

শিজ হোস্পিটালস এন্দ রিসর্চ ইন্সটিট্যুটনা পাঙ্গৈগী মণিপুর পুলিস ত্রেনিং কোলেজ (এম পি টি সী) গা খূৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা পুলিস পর্সনেলশিংগী 'ষ্ট্রেস মেনেজমেন্ট : সাইকোলোজিকেল ৱেল বিয়িং অমসুং মেন্টেল হেল্থ' হায়বা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

প্রোগ্রাম অসিদা এম পি টি সীগী এদিশনেল এস পি অমাকচম দেবানন্দনা লুচিংদুনা পুলিস পর্সনেল ১০০ রোমগা লোয়ননা শরুক য়াখি হায়রি।

এৱ্যের্নেস ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা শিজ ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## লোল-ময়েক চাওখৎনবা মালেমগী ওইনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংদা শরুক য়ামিন্নসি : ৱামা



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** মমালোলবু নুংশিবগা লোয়ননা কন্নবা হোৎনবদা ফুরুপ কাঙলূপ অমদি লাইনীংগী খেন্নবা থমদনা হোৎমিন্নসি অমসুং লোল অমসুং ময়েক চাওখৎনবা মালেমগী মীয়াম্না চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংদা শরুক য়ামিন্নসি হায়না ৱাখল্লোন মান্নবা অপূনবা (ৱামা) গী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম নাওখম্বা মীতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী হয়িং খোংবাল উফোং য়ূম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী শঙলেন্দা পাঙথোকপা ৱামাগী ৫শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## লৌ পেংমিন্নরিঙৈদা ইমাংমক্তদা কুকি লমহেন-তুহেনবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা ইমান্নবী লৈখিদবদু মঙগুম্না থোক্লি

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
**হকথেংনবা পাউদম**
ৱাথ লম্বেল ময়ায় লৈকায়দগী খুঞ্জা

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা মণিপুরগী তমথীরবা লানগী থৌদোকশিং মায়োক্লদুনা ময়ূম-মকৈ লৈজদ্রবা কয়া হৌজিক ফাওবা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগা হকথেংননা উনদুনা মখোয়গী পূক্নিং ৱাখলদা ফাওরিবশিং খঙদোক্তুনা মীয়ামদা পাউদম্লকপগী মখা তারকপদা হৌজিক ফাওবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নিংথৌখোংদা লৈবা মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্প ওন প্রজেন্ট সিচুএশনদা চঙজফম লৌরক্লিবা সলাম ওংবী মেমতোম্বী (৩৩) মপুরোইবা সলাম আনন্দ, ৱাথ লম্বেল ময়ায় লৈকায়দগী আই দি পি অসিনা পাউচে অসিদা হায়, মমাঙ চহী ২০২৪গী নবেম্বর ৯দা ৱাথ লম্বেলদা লৌ শুরিঙৈদা কুকি লমহেন তুহেনবশিংনা নোংমৈ কাপথরকপদগী পান্দুনা লৈখিদ্রবা সাপম সোফিয়াগা ঐহাক্কা য়াম্না লুনা তিন্নজরকপা ইমান্নবীনি।



থৌদোক অদু থোকখিবা নুমিৎ অদুদা শুরিবা লৌবুক অদুগী লৌপুসু ঐহাক্না ওইজবনি। ইমান্নবী সোফিয়া লৈখিদবা থৌদোক হৌজিক ফাওবদা অদুক্কী মতিক নুংঙাইতে। হৌজিকসু মঙগা চপ মান্ননা থোক্লি, থাজবা ঙমদ্রি। থোকখ্রিবা থৌদোক অদুসু ইমাংমক্তা থোকখিবনিনা অমুক্কা হেন্না থম্মোয় শোক্তুনা নীংঙমদবা হায়বদু ওইহৌরে। থৌদোক অদু থোক্কদবা নুমিৎ অদুগী নোংমা ৱাৎলিঙৈদা লৈখিদ্রবী ইমান্নবী সোফিয়াগী লৌ পেংমিন্নরুরগা নবেম্বর ৯, ২০২৪দনা খুলং লমন ওইনা ঐগী লৌ পেংবদা শরুক য়ানবা লাকখিবনি। নুমিৎ অদু সোফিয়াদি মশা নুংঙাইতে লাক্লরোইসিরা খঙদে হায়রক্লম্বনি অদুবু ঐখোয়গী মীসু য়ামদে, মী অতোপ্পা নেক্কদবসু শেল লৈতবনিনা ঙাইহাক পেংলগা হল্লক্লসি হায়নরগা লৌ পেংবা চৎমিন্নবনি।

লৌফমদা ক্বাসু ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### রিমসতা পেসেন্টশিং লেপ্তুনা শিরকপগী ৱাথোক

## কে সী পি, কে ৱাই কে এল, প্রিপাক, প্রিপাক-প্রো অমসুং য়ু এন এল এফকী অপূনবা কম্মিটিনা য়েংশিনবা হৌরগনি হায়রক্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :** রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) হোস্পিটালদা পেসেন্টশিং লেপ্তুনা শিরকপদগী মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোক্লরকপগা মরী লৈননা কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি), কংলৈ য়াওল কন্ন লূপ (কে ৱাই কে এল), পিপল রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক), পিপল রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক-প্রো) অমসুং কোইরেংনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল রিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) কী অপূনবা কম্মিটি অমনা য়েংশিনবা হৌরগনি হায়রি।

ৱাফম অসি লালহৌলূপশিং অসিগী মায়কৈদগী মহুৎ শিনবা মীওইশিংনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা নুমিৎ ৩২নিদা রিমসতা লায়েংবা লাকখিবা মীওই ৫ লৈখিদ্রে। মসিগী মতাংদা লৈখিদ্রবা মীওই ৫ অসিগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা পীবা শন্নপ্পা ৱারোলশিং মীয়ামদা অমুক হন্না থমজরি। (১) অৱাং সেকমাই লাইপাৎতগী লাইশ্রম নিঙোল হিজম ওংবী ইবেমচা (৫২), মপুরোইবা ঐচ মোহেন ওগষ্ট ১৩দা মখোঙ খুরাইদা তেকপদগী রিমস হোস্পিটালদা পুখৎলকখি। নুমিৎ ৭নিমুক ওর্থো দিপার্টমেন্টতা লৈদুনা মথৌ তাবা টেষ্টনচিংবা তৌদুনা ত্রিটমেন্ট তৌখি। ওগষ্ট ১৯গী অয়ূক পুং ১০দা ওপরেশনগীদমক পুশিনখ্রগা ওপরেশনদা অদুম লৈখিদ্রে। (২) ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫